# ত্রাও অমসুং এফ সি জালেনগী মেচ অকনবা নোং চুরকপদগী লোইশিনখিদ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ ঃ

লমদমসিগী খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল লীগ অমা ওইরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী মেচ হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং চুবা মরম্না গ্রাউন্দগী ফীভম ফত্তবদগী মতম শাংনা য়েথোক্তুনা লাকখিবা মেচ ঙসিদগী মখা তানা শান্নবা হৌখ্রবসু অমুক হন্না নোং তারকপদগী মেচ লোইশিনবা ঙমখিদ্রে।

ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চথরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) ক্বাকৈথেল অমসুং এফ সি জালেন সদর হিলস অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী ৩৭ শুবা মিনিট ফাওবা চথরল্লগা মেচ এবান্দন তৌখি।

লমদমসিগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা টিমনি হায়না লৌনরিবা ত্রাও ক্বাকৈথেল অমসুং এফ সি জালেন সদর হিলস অনীনা শান্নখিবা মেচ অদুবু য়েংনবগীদমক টিম অসিগী সপোর্টরশিংনা মেচ হৌগদবা মতম ৱাংলিঙৈদগী হৌনা লাক্লখি।

মপান কাংজেবুংগী ৱেষ্টর্ন গেল্লরিদা মীওই চীক্লা চাইনা ঙমদনা তিনখিবগা লোয়ননা মেচ অসিদা খৎন-চৈনবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক মশীং য়াম্লবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা গেল্লরি মখাদা নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা মেচ অদু হৌখি।

মণিপুর ষ্টেট লীগকী মমাঙগী নেরোকা অমসুং এফ সি জালেনগী মেচতা অচৌবা ঈরাং অমা থোকখ্রবা মতুং ঙসিগী মেচ অসিদসু থোক্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈখিবগা লোয়ননা মেচ অসি খ্বাইদগী নুংঙাইবা মেচ অমা ওইগনি হায়না মীয়াম্না থাজনখি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং চুখিবগা লোয়ননা মপান কাংজেবুংগী গ্রাউন্দগী মফম খরদা ঈশিং তুংবা অমদি চোৎ-চোৎ লাউবা মফম কয়া লৈখিবনা শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বদা খুদোংচাদবা খরদি অদুমক থোকখি অদুবু মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নদুনা অমনা অমগী মায়োক্তা অকনবা এটেক কয়া চথুনখি অদুবু মেচ অসিগী মিনিট ৩২ রোম চৎপা মতমদগী নোং চুবা হৌরকখি অদুবু নোং কা হেন্না কনশিল্লকপদগী গ্রাউন্দদা ঈশিং থুমগৎলকপনা মেচ শান্নবা য়াবগী ফীভমদা লৈরক্তবদগী মেচ অদু এবান্দন তৌখি।

মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিগী মখা তাবা মেচশিং করম্বা মতমদা শান্নগদগে হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা লেপত্রি।

# নুপাগী সেনিয়রদা এ এস কে কে এনা, নুপীগীদা এস সি ঈ এ এস দি ও হৈরোকনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ ঃ

মণিপুর অমেচর খো খো এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা ককচীং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লব (কে পি এস সি) ককচীংনা শিন্দুনা ককচীং খুনয়াই লৈকায়দা লৈবা ককচীং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লবকী প্লে গ্রাউন্দদা চথরকপা ২১ শুবা মণিপুর ষ্টেট সব জুনিয়র (পি ঐচ মনি শর্ম্মা) মেমোরিএল ত্রোফি অমসুং ৪১ শুবা মণিপুর ষ্টেট সেনিয়র (লেট এন সনায়াইমা) মেমোরিএল ত্রোফি খো খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা নুপাগী সেনিয়রদা এ এস কে কে এনা অদুগা নুপীগীদনা এস সি ঈ এ এস দি ও হৈরোক্লা ৱিন্নর ওইখ্রে।

হৌখিবা তাং ২১ দগী চথরকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সেনিয়রগী ফাইনেলদা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাইনা বাসু খাঙবোক পোইন্ট ১৩-১১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

নুপীগী ফাইনেলদনা এস সি ঈ এ এস দি ও হৈরোক্লা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাইবু পোইন্ট ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। মায়থীহৌরবা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাইনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

সব জুনিয়র বোইজকী ৱিন্নরনা এস সি ঈ এ এস দি ও হৈরোক্লা ওইখ্রে। রন্নর্স-অপনা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাইনা ওইখ্রে। সব জুনিয়র গার্লসকী ওইনা এস সি ঈ এ এস দি ও হৈরোক্লা ৱিন্নর ওইখ্রে। অদুগা সি ঐচ এ এম দি ৱাই এ শঙ্গাইয়ুম্ফম্না রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

ফাইনেল মেচ লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস ২০১৬ তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা ইন্দিয়ন টিমদা শরুক য়াখিবা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাইদগী কে ঐচ ধনঞ্জয় অমসুং মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা ৩ শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৬ তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা ইন্দিয়ন টিমদা শরুক য়াখিবা বাসু খাঙবোক্কী শান্নরোয় এল নিরমালাবুসু শিল্লি লাংলিবশিংনা তরাম্না ওক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিনবগী থৌরমদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম এল এ ও লন্দোনি, ৱাবগাই কেন্দ্রগী এম এল এ এম দি ফজুর রহিম, এম ও এগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবমসু শরুক য়াখি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট টিম এনা সার্ভিসেস মায়থীবা পীদুনা মেন'স টিমগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ ঃ

ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএশন্না শিন্দুনা শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর পুখ্রি মপান্দা লৈবা কম্মুনিতি হোলদা চথরকপা ২৬ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী মেন'স টিমগী ৱিন্নর ইম্ফাল ৱেষ্ট টিম এনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্ট টিম এনা সার্ভিসেস ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা সার্ভিসেসনা রন্নর্স-অপ তাখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী ফার্ষ্ট সিঙ্গলসতা সার্ভিসেসকী এল রাকেসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট টিম এগী সি ঐচ অরুন ১১-১৬, ২৫-২, ২৫-১৫ দা মায়থীবা পীখি। সেকেন্দ সিঙ্গলসতা ইম্ফাল ৱেষ্ট টিম এগী এম মাধবনা সার্ভিসেসকী এল ঙাম্থোইবা ১১-২৪, ২১-১৯, ১৯-৫ দা মায়থীবা পীখি।

দবলসতা ইম্ফাল ৱেষ্ট টিম এগী টি ঐচ রোবার্ট অমসুং এ অমরজিৎকী জুরানা সার্ভিসেসকী সুরেন অমসুং গৌরশ্যামগী জুরাবু ১৯-১৬, ২৩-৮ দা মায়থীবা পীখি।

মেন'স সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা সঞ্জিৎনা জি এ রোবার্ট ২৫-১০, ২৪-১৪ দা, অনীশুবা মেচতা এস বিমোলজিৎনা কে দিপাক ২৫-০, ২৫-৮ দা, অহুমশুবা মেচতা এন য়াইমস্নানা এম মহেশ ২৩-৯, ২৩-৩ দা, মরিশুবা মেচতা জি সুভাসনা আর কে অমরজিৎ ২৫-১০, ২৫-১২ দা, মঙাশুবা মেচতা এ অমরজিৎনা কে এস ঐচ জোসেফ ৮-৩, ৪-২২, ১৪-৫ দা মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা মেচতা এম মাধোবনা সুনন্ত ২৪-০, ২৫-০ দা, তরেৎশুবা মেচতা এস রোমেন্দ্রোনা টি ঐচ অচৌবা ১৮-১৭, ১৭-১০ দা, নিপানশুবা মেচতা ধনেশ্বরনা রাজু ২৫-০, ২৫-০ দা, মাপনশুবা মেচতা এম সদানন্দনা ঐচ হেরো ৬-২৫, ২৩-২১, ২২-৯ দা, তরাশুবা মেচতা এল কেসোনা এস মোমো ১৯-১৮, ২৫-০ দা, ১১ শুবা মেচতা তাইবংঙানবনা গৌরশ্যাম ১৫-৯, ২২-১৫ দা, ১২ শুবা মেচতা টি ঐচ রোবার্টনা এম ইঙোচা ২৫-৮, ১৩-১২ তা, ১৩ শুবা মেচতা কে ঐচ চীংলেন্না এস বেনর্জি ১৮-১৪, ২৫-১৫ দা মায়থীবা পীখি।

# ষ্টেট লেভেল টাইক্কান্দো চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ টাইক্কান্দো ফেদরেসন ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা চহীসিগী ওক্টোবর ৬ তগী ৮ ফাওবা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায় ইমা পান্থোইবী কম্যুনিতি হোলদা ৩১ শুবা ষ্টেট লেভেল টাইক্কান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ পাঙথোক্লগনি।

মরম অদুনা এফিলিয়েটেদ য়ুনিটশিংনা মখোয়গী শান্নরোয়শিং ওক্টোবর ৫ গী অয়ূক পুং ৭ ফাওবগী মনুংদা থারক্তুনা মশাগী অরূম্বা ওনগদবনি। শান্নরোয়শিংনা লাকপা মতমদা ফেদরেশন্না পীবা আই দি কার্দ লোইনরক্কদবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী মখা তাবা অকূপ্পা মরোল ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ওলেন্দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# পারি শাজৌ বোদি বিল্ডিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফিটনেস কন্টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ রোয়েল ফিটনেস একাদেমি জিম থৌবালনা চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অসিগী কুমসি চহীগী ওইনা লাক্লিবা ওক্টোবর ১২ দা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ মনাক্তা লৈবা কে কে সিনেমা হোলদা মরিশুবা পারি শাজৌ কন্টেষ্ট ২০১৬ ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফিটনেস কন্টেষ্ট পাঙথোক্লগনি হায়না রোয়েল ফিটনেস একাদেমি থৌবালগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

পারি শাজৌ বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফিটনেস কন্টেষ্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা বোদি বিল্ডরশিংনা অকূপ্পা মরোল রোয়েল ফিটনেস একাদেমিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# টি বি এস এফ এগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কমখ্যাগুরিদা লৈবা নরার হোলিদা থা অসিগী ৩০ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা লেফটিনেন্ট মোনু প্রধান নর্জিনারি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা শরুক য়ারুনবগীদমক টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি (টি বি এস এফ এ) গী ফুটবোল টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

টি বি এস এফ এগী মীওই ১৮ না শাবা ফুটবোল টিম অসি ঙসি অয়ূক তাওবুংখোক মখা লৈকায়দা লৈবা টি বি এস এফ এগী গ্রাউন্দগী একাদেমি অসিগী প্রসিদেন্ট এস খুরাইলাকপা, কৈশাম সনাতোম্বা, একাদেমি অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি এ কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম্মনা লমথাখি। টিম অসিগী কোচনা কে সোমোরজিৎ, টিম মেনেজরনা টি ঐচ দিলিপকুমার অদুগা এসিষ্টেন্ট মেনেজরনা টি ঐচ বেনন্তনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা টি বি এস এফ এগী টিম অসিনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট থার্দ দিভিজন লীগকী অহৌবা মেচতা এম এস সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৭ ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙসিদগী মালোমদা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ চথুবা হৌখ্রে।

থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী ঙসি অহৌবা মেচতা এম এস সি মালোমনা এস দি সি শমুরৌ গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদবনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল চন্নবা ঙম্নখিদে।

মেচ অদুদা এম এস সি মালোমগী শান্নরোয়শিংনা হাফ মতুংদা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকন্নবা এটেক চথরকখি। এম এস সি মালোমগী এন জি সুরেসনা মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। এম এস সি মালোমনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মেচকী ৫৩ শুবা মিনিটতা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱাই ও সি অমসুং এস ৱাই দি এ গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে। মেচ অদুদা ৱাই ও সিগী গোল অনী অদু এস সোমোরজিৎ অমসুং চীংথানঙানবনা মেচকী ৬ অমসুং ৬১ শুবা মিনিটতা চনখি। এস ৱাই দি এগী গোল অনী অদু ঐচ সোমোরেন্দ্রো অমসুং টি ঐচ অঞ্জোয়না মথংশিংনা মেচকী ১৪ অমসুং ৩৫ শুবা মিনিটতা চনখি।




HL-B/3305/8/9-7/10








Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com